**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগী প্রস্তাব অয়াবা পীখ্রে।

চন্দ্রায়ন ফোর মিসন অমসুং ভেনস ওর্বিতর মিসন পাঙথোকবসু অয়াবা পীখ্রে।

২) কেন্দ্রগী এন.দি.এ সরকারগী নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিনা ভারতপু ইং ২০৪৭ ফাওবদা বিক্সিত ভারত ওইনবা মঙলান মঙফাওনবা ঙমহল্লগনি।

৩) মথং থাগী অনি ফাওবা চথ্খগদবা স্বাচতা হি সেবা মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোক্লি।

৪) অনৌবা ক্রিমিনেল লো- ভারতিয়া নিয়াই সনহিতাগী মখাদা এফ.আই.আর লাখ ৫ লিশিং ৫৬ রেজিষ্টর তৌরে।

অমসুং

৫) জম্মু কাশ্মীর বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ ঙসি থাদনখ্রে। নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৫৮.১৯ ওইখি।

------

কেবিনেট ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগী প্রস্তাব অয়াবা পীখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা হান্নগী রাষ্ট্রপতি রামনাথ কোবিন্দনা

সভাপতি ওইবা হাই লেবেল কমিতিগী প্রস্তাব অদুবু কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক শিনবা থুংবদা মতম অমুক্তদা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখলশিং পুন্না পাঙথোক্কনি।

নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- থৌরাং অসি তাঙ্কক অনি থোকা চৎনগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখলশিং মতম অমুক্তদা চপ মান্ননা পাঙথোক্কনি। অদুগা অনিসুবা তাঙ্কক্তুনা সধারন মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা লোকেল বোদি মীখলশিং পাঙথোক্কনি।

লৈবাক অসিগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী লমদা হেন্না পুকিং থৌগৎপা ওইনা চন্দ্রায়ন ফোর মিসন অমসুং ভেনস ওর্বিতর মিসন পাঙথোকবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে। মন্ত্রিনা হায়- থাগী মিসন চন্দ্রায়ন ফোর হায়না মমিং থোনদুনা থাগী লৈমায়দা মায় পাকা তারুরবা মতুং অশোই অঙাম য়াওদনা পৃথিবীদা অমুক হল্লকপা ঙমবগী থৌরাং পায়খৎনবা সরকারনা অয়াবা পীরে। মহাকা হায়- ভেনস ওর্বিতর মিসন হায়না মীংথোনবা ভেনস গ্রহগী ঈশিং নুংশিৎকী মরমদা হেন্না খঙননবা বৈগ্যানিক্কী ওইবা থিজিনবগী থবক চখনবা সরকারনা অয়াবা পীরে। মিসন অসি ইং ২০২৮ গী মার্চতা লোঞ্চ তৌরবা য়াই। মসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ১,২৩৬ কাইথোকপদা অয়াবা পীরে। শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা কোতি ৮২৪ দি স্পেচ ক্রাফট শেমগৎনবগীদমক্তনি।

শ্রী অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- প্রধান মন্ত্রি অন্না দতা এ.এ.ৱাই সনরক্ষন অভিয়ান মখা তানা চৎথবা হায়না অয়াবা পীরে। মসিনা তঙাইফধনা চংবা পোৎলমশিং মমল ৱাংলিবা অসি লাকশিন্নবা অমদি লৌমীশিংদা ফংফম থোকপা পোৎ চৈগী মমল চপ চানা ফংহন্নবনি।

মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা প্রধান মন্ত্রি জন জাতিয়া উন্নত গ্রামি অভিয়ান চৎনহনবদসু অয়াবা পীরে। মসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৭৯,১৫৬ খাক্তুনা থন্বদা অয়াবা পীরে। স্কিম অসিগী মখাদা ত্রাইবেল জাতি কাংলুপশিংগী সমাজিক অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা য়াওরি। শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- মসিনা খুঙ্গং

লিশিং ৬৩ গী ত্রাইবেল মীওই কোতি ৫ রোম কান্নবা পীগনি। মসিনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩০ গী জিলা ৫৪৯ অমসুং ব্লোক লিশিং ২,৭৪০ কোনশিনগনি।

বিজেপি (এল)ঃ কেন্দ্রগী এন.দি.এ সরকারনা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিনা ভারতপু ইং ২০৪৭ ফাওবদা বিক্সিত ভারত ওইনবা মঙলান মঙফাওনবা ঙমহল্লগনি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন. নিম্বসনা হায়- বি.জে.পিনা লুচিংবা কেন্দ্র থ্রি পোইন্ট জিরো সরকারগী নুমিৎ ১০০ নিগী প্রোগ্রাম মনুংদা লমদম অসিদা হৌজিক মায়োকরিবা সমস্যশিং লোইশিন্নবা হোৎনরি হায়খিবা ৱাফম থাগৎনিঙাইনি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী কিলোমিতর ৩০ শাংবা শরুক শম্বল খাবা লোইখ্রে। লেমহৌরিবা কিলোমিতর ৩৯৮ শম্বল খানবা থৌরাং তৌরি। শ্রী নিম্বসনা হায়- য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদগী আইন কায়না মীতোপ চংলকপশিং য়েংশিন্নবা থবক পায়খৎপগা লোয়ননা সরকারনা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম (এফ.এম.আর) লৌথোকখ্রে। শ্রী নিম্বসনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা মরুওইবা মফম কয়াদা সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্সশিং থম্বা হৌরে। হান্না লৈবাক অসিদা লৈরম্বা ঙাকশেলগী লমদা নরেন্দ্র মোদিগী থ্রি পোইন্ট জিরো সরকারগী নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা চাউনা অহোংবা লৈরে।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা হয়েংগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি। মসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোল অমদা থোকখ্রে।

তর্পন (এল)ঃ ইং ১৮৯১ দা থোকখিবা এঙ্গলো মণিপুর লানদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লাংবন থাগী হৈশোই অমদি হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অমা ঙসি খোংজোম তেঙ্গোল লৈকাইদা লৈবা খোংজোম তুরেলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ৱাংখৈ মৈরাবা মেমোরিয়েল ত্রষ্ট অমসুং নিংথেমচা নিংশিং লুপ অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মরৈবাক্কীদমক লান্থেংনরম্বা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ ব্রহ্ম সভানা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা অথৌবশিংগী মফমদা লাংবনগী তর্পন কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অভিয়ান(এল)ঃ মথং থাগী অনি ফাওবা চথুগদবা স্বাচতা হি সেবা মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোক্লি। থৌরম অসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙরাং মণিপুরগী ওইনা হৌদোকখিবনি।

মসিগী শরুক অমা ওইনা স্বাভব স্বাচতা সংস্কার স্বাচতা হায়বা হিরমদা এস.বি.আই ককচিং ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা বেঙ্ক অসিগী অকোইবা লম তু শেংখ্রে। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু স্বাচতা হি সেবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ককচিং বজার মার্কেট এরিয়া ৱান, বস ষ্টেন্দ অমদি পাব্লিক টোইলেটশিংদা লম তুং শেংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নোনে জিলাদসু স্বাচতা হি সেবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী মরুওইবা মফমশিং য়াওনা লুখন্বী পেট্রোল পম্পতা ৱাল পের্ন্টিং চথুখি।

দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলস বিভাগনসু থৌরম অসি পাঙথোকখি। দি.সি. ওফিস কনফরেন্স হোলদা থৌরম অসিগা মরী লৈননা বি.এল.ওশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

পি.ঐচ.ই.দিনা জিলা অদুগী সি.এস.ও অমদি এন.জি.ওশিংগা খুৎশমদুনা লম তুং শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এমটিয়ু (এল)ঃ   মীতৈ-মৈতৈবু এস.টি ষ্টেটস ফংহন্নবগী পান্দমদা মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম.এম.টি.য়ু)না চংশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল কম্মিসন ফোর মাইনোরিতিজগী চেয়ারমেন ইগবাল সিংহ লালপুরা, এ.আই.সি.সিগী নোর্থ ইষ্ট ইনচার্জ- গিরিস ঝা অমসুং সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট রেমি দেসাইগা উন্নদুনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা শরুক য়াবীনবা তকশিনখ্রে।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- চথুরক্লিবা কেম্পেন অসিদা এম.এম.টি.য়ুগী মীহুৎ কাংবুবু লুচিংলিবা মুতুম চুরামনি অমসুং সোসিয়েল ৱার্কর অন্রিক সিংহ পৱাহনা মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রালয়গী নেসনেল কম্মিসনার ফোর মাইনোরিতিজগী চেয়ারমেন উন্নদুনা মণিপুরগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। মীহুৎ কাংবু অসিনা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রি য়াওনা মন্ত্রিশিং উন্নবা থৌরাং তৌরি।

জিরিবাম (এল)ঃ ৭০ শুবা ৱাইল্ড ৱিক সেলেব্রেসনগী মরী লৈননা এসে কম্পিতিসন অমসুং লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস জিরিবামনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। লম্লক্কী শা উচেক অমসুং উমং ৱামংশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্বগী ৱাখল্লোনদা কম্পিতিসন অসি পাঙথোকপনি। ক্লাস ফাইভতগী আইট ফাওবা অমসুং নাইনদগী তুয়েল্ভ ফাওবা কাংলুপ অনি থোকা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা কম্পিতিসন অসিদা মহৈরোই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

অমুর (এল)ঃ    মণিপুরদা চহি খুদিংগী মীরম লান্না পাইরকপা উচেক, অমুর ফালকোন ওক্তোবর থাগী অনিসুবা চয়োলদা রাজ্য অসিদা য়ৌরক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা সরকারগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ওক্তোবর থাদগী নবেম্বর থা ফাওবা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাইরক্কদৌরিবা

উচেক অসি কনাগুম্বা অমত্তনা ফাবা, হাৎপা অমসুং য়োনবা য়ারোই। কনাগুম্বা উচেক অসি হাৎপা নত্রগা য়োনবা থেংনরবদি ৱাইল্ড লাইফ প্রোতেক্সন এক্তকী মতুংইন্না অকনবা চৈরাক ফংগনি। চেরোল অদুনা হায়- উচেক অসিনা পাইরক্কদৌরিবা খুলশিংগী ভিলেজ ওথোরিতিশিংনা মখোয় মখোয়গী এয়ারগনশিং উচেক অসিনা হনখিদ্রিবা ফাওবা মরী লৈনবা ওফিসতা পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি। নোংমৈশিং থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকবা হায়রি।

তমেংলোং (এল)ঃ পোসন মাহগা মরী লৈননা ইন্তিগ্রেতেদ কম্ম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা তমেংলোং ৱার্দ নম্বর ফাইভতা লৈবা সেকিনু ইনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সি.বি.সি ফিল্ড ওফিস তমেংলোংনা শিনবনি। ঙসিগী থৌরম অদুগী হিরমনা মীপুম খুদিংমক্তা মচি ওইবা চীঞ্জাক ফংহনবা হায়বা অসিনি। থৌরম অদুদা আশা ৱার্কর, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং জিলা অসিদা লৈবা তোঙান তোঙানবা নুপীশিংনা শরুক য়াখি।

ম্যুজিয়ম (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম লিংখৎখিবা চহি ৫৫ শুবগী নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা নুমিৎ হুমিগী ওইবা নাৎকী ওইবা চফু শাবগী ৱার্কসোপ অমা পাঙথোক্কদৌরি। ৱার্কসোপ অসি মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরনা শিনবনি। থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা নুমিৎ হুমি চুপনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কসোপ অসি য়াওনিংবা মীওইশিংনা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ওফিসতা লাক্তুনা মীং পীশিনবীনবা খঙহল্লক্লি।

ফুটবোল (এল)ঃ মণিপুর, সব-জ্নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী সেমি ফাইনেল চংলে। ঙসি অয়ুক বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা ঝারখন্দবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখিবনি।

মরাথোন (এল)ঃ ঐচ.আই.ভি-এইদসকী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না ভাব তাহন্নবা পান্দমদা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিনা শিন্দুনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মণিপুর রেড রন টু পাঙথোক্লগনি। চহি ১৭ তগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংগী ওইবা কিলোমিতর ১০ শাংবা লমজেল অসি কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা লমথাগনি। কিলোমিতর অনিগী ওপন লমজেল অসিনা অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা চীংঙারেল তেজপুরদগী লমথাগনি। লমজেল অনি অসিগী পন্থুংফমনা শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কলেজদা ওইগনি।

ওবিত (এল)ঃ  রেষ্টলিং মশান্নদা ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরম্বতা নত্তনা মণিপুরগী অহানবা রেষ্টলিং কোচ- দব্লিউ চাউবালাল সিংহ ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী খোইজ্মানদা লৈবা মশাগীময়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৭৩ শুখ্রে। দব্লিউ. চাউবালাল হৌজিক হৌজিক মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিয়েসনগী জেনেরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবনি। মহাকা লৈখিদবদা মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিয়েসন্না মিনিত অমা তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

লোঃ   অনৌবা ক্রিমিনেল লো- ভারতিয়া নিয়াই সনহিতাগী মখাদা এফ.আই.আর লাখ ৫ লিশিং ৫৬ রেজিষ্টর তৌরে।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা হায়- এফ.আই.আরশিং অসি চহি অসিগী জ্লাই ১ দগী সেপ্তেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্টর তৌবনি। মহাকা হায়- অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসিগী মতাংদা ব্যুরো ওফ পুলিস রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট অমসুং নেসনেল ফোরেন্সিক সাইন্সেস য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা ওফিসার লাখ ৮ হেন্না ট্রেনিং পীখ্রে। মীয়ামা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসিগী মতাংদা হেন্না খঙননবগীদমক এন.সি.আর.বি সনকালন ওফ ক্রিমিনেল লো হায়না মমিং থোনবা মোবাইল ৱেব এপ্লিকেসন অমা শেল্লে। নিংশিংবা য়াই, অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম- ভারতিয়া নিয়াই সনহিতা ২০২৩, ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা ২০২৩

অমসুং ভারতিয়া সক্ষিয়া অধিনিয়ম ২০২৩ চহি অসিগী জ্লাই ১ দগী চৎনবা হৌখিবনি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীর বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ ঙসি থাদনখ্রে। বিধান সভা কেন্দ্র ২৪ দা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী ভোৎ থাদবা হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা লোইশিনখি। নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৫৮.১৯ ওইখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- কাশ্মীর তম্পাক্কী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১৬ তা ভোৎ থাদবগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংনা ভোৎ থাদখিবা অসি পহেলগাম বিধান সভা কেন্দ্রদনি। কেন্দ্র অসিদা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৬৭.৮৬ ওইখি। জম্মু দিভিজনদনা বিধান সভা কেন্দ্র ৮ দা ভোৎ থাদনখি। কিষ্টৱার জিলাগী ইন্দরৱাল বিধান সভা কেন্দ্রদা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৮০.০৬ ওইখি।

জম্মু-কাশ্মীরদগী আর্তিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা তাঙ্কক অহুম থোকা মীখল পাঙথোক্লি। ভোৎ মশিং মথং থাগী ৮ দা থিগনি।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- মালেম অসিবু তুংগী মীরোলশিংগীদমক কন্নবা ঐখোয় পুন্না শেমদোকমিন্নদুনা অমত্তা ওইনা থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে।

গান্ধিনাগরগী মহাত্মা মন্দিরদা পাঙথোকপা আর.ই. ইনভেষ্ট গ্লোবেল মিটতা ৱা ঙাংলদুনা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগীদমক মালেম অসিবু হিংবদা নুংঙাইবা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। মহাকা হায়- অকোইবগী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসি য়েংলগা লৈবাক অসিনা অকোইবগী ফিভম কন্নবা থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। শ্রী ধনখরনা হায়- হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা অওনবা পুরকপা অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে অমসুং রিন্যুএবল ইনর্জি সেক্তরনা পীরিবা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা নহাশিংবু খঙহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি।

সিবিএসই ঃ সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন (সি.বি.এস.ই)গী ওইনা ইং ২০২৫ গী বোর্দকী পরিক্ষা থাগদবা ক্লাস নাইন অমসুং এলেভেনগী মহৈরোইশিংগী রেজিষ্ট্রেসন ঙসিদগী হৌখ্রে।

বোর্দ অসিনা থাদোরকপা নোতিফিকেসন অমগী মতুংইন্না রেজিষ্ট্রেসন পীশিনবগী অরোইবা মতম মথং থাগী ১৬ নি। সি.বি.এস.ইদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলশিংনা সি.বি.এস.ই দোট গোভ দোট ইন-দা মহৈরোইশিংবু রেজিষ্টর তৌবা য়ারগনি। নোতিফিকেসন অদুদা মখা তানা হায়- চে চাং শুনা পীখৎলকপা মহৈরোই খক্তমক ২০২৫ গী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষা থাবা য়াগনি। লোয়ননা স্কুলশিংনা মহৈরোইশিংগী মরী লৈনবা অকুপ্পা মরোলশিং পীশিন্দ্রিঙৈদা পোর্তেল অসিদা হান্না রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

কংগ্রেস ঃ হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্‌ন খরগেনা ঙসি দলগী মেনিফেষ্টো ফোংখ্রে। নিউ দিল্লিদা লৈবা দলগী হেদক্বাটরসতা মেনিফেষ্টো অদু ফোংলদুনা শ্রী খরগেনা হায়- রাজ্য অদুদা কংগ্রেস সরকার লাক্লবা মতুংদা দল অসিনা হিরম ৭ তা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- লৌমীশিংদা মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইস ফংহনবা, ইমুং খুদিংদা ইলেক্ট্রিসিতি য়ুনিত ৩০০ ফংহনবা, নৌনা থবক লাখ ২ লৌবা অমদি হান্নদগী চৎনরম্বা পেন্সন স্কিম অমুক হিংগৎহনবা য়াওরি।

শ্রী খরগেনা হায়- নুপীশিংদা থা খুদিংগী লুপা লিশিং অনি অনি পীগনি। করিগুম্বা কংগ্রেসনা সরকার পায়রবদি হরিয়ানাদা এল.পি.জি গ্যাস সিলিন্দর ১ দা লুপা ৫০০-৫০০ দা ফংহনগনি অমসুং দিবিয়াংশিং, সেনিয়র সিতিজন অমদি লুখ্রাবীশিংদা থাগী পেন্সন ওইনা লুপা লিশিং ৬-৬ পীগনি। মহাকা হায়- হরিয়ানাবু দল অসিনা ড্রগ ফ্রি ওইবা রাজ্য অমা ওইহনগনি। মসিগী মথক্তা মহৈ মরোংগী ক্ষেতিপুরন খুদক্তা ফংহনবা অমসুং লেমা লায়েংনবগীদমক লুপা লাখ ২৫ গী শেনফম লাউথোকখি।

------